**গোভর্নমেন্ট ওফ মণিপুর**

**ডাইরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্স**

**••••••**

**প্রেস রিলিজ**

**শেন্দ্রা টুরিষ্ট রিজোর্ট মীয়ামদা শিন্নখ্রে**

**ইম্ফাল, জন ৩০, ২০১৭ (ডি আই পি আর)ঃ** মীয়ামা শকখঙনরবা অইবা, ইন্দিয়ান ফাওণ্ডেসনগী ডাইরেক্টর অমদি বি জে পি নেস্নেল জেনেরেল সেক্রেটরি শ্রী রাম মাধব না ঙসি শেন্দ্রাদা লৈবা টুরিষ্ট রিজোর্ট মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর শা এন. বিরেন সিংহ অমদি অতৈ মিনিষ্টরশিং য়াওবা অচম্বা থৌরম অমগা লোয়ননা মীয়ামদা শঙ্গাদুনা শিন্নখ্রে।

শ্রী এন. বিরেন সিংহ, শ্রী রাম মাধব অমদি ৱার্ক্স অমসুং ইনফোর্মেসন এণ্ড পব্লিক রিলেসন্সকী মিনিষ্টর শ্রী বিস্বজিৎ সিংহনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, স্পিসিয়েল গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্টকী ফমফম লাংখি। মিনিষ্টর ভি. হঙ্খালিয়ান, এডভাইজর টু সি এম (ইকোনোমিক এফিয়ারস এণ্ড হ্যুমেন রিসোর্স), থাঙ্গা এসিগী এম এল এ শ্রী পি. সরতচন্দ্র, পি ডি এগী চ্যারমেন শ্রী তি. রোবিন্দ্রো, মণিপুর পোলুসন কন্ট্রোল বোর্ডকী চ্যারমেন শ্রী এল. রাধাকিসোর, পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি শ্রী এৱাংবৌ নুউমাই, শ্রী কে. রোবিন্দ্রো, ডাঃ এস. রঙ্গন, এস. সুভাসচন্দ্রা, কুম্বী এম এল এ শা এস. বিরা অমদি মণিপুর হনফ্রাষ্ট্রকচর ডিভেলপমেন্ট এজেন্সি (এম ডি এ)গী ভাইস চ্যারমেন শ্রী এম. এসনিকুমারসু থৌরম অদুদা প্রিসাইডিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

রিজোর্ট অদু য়ুনিয়ন টুরিজম মিনিষ্টরগী শেন্থুং মখাদা লুপা কোটি ৫৫৩.৭২ চঙনা শাখিবনি। প্রোজেক্ট অসিদা রিসেপসন কম এডমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক, কোটেজশিং, সেক্যুরিটি কম দ্রাইভরগী কা, গেট য়াওবা কম্পাউন্টগী ফেন্সিং, রেষ্টেরেন্ট, এপ্রোচ রোড অমদি পার্টৱে য়াওরি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা চিফ মিনিষ্টর শ্রী বিরেন না হায়, মীয়ামগী ৱাকৎ তাননবা সি এম সেক্রেটরিয়েটতা অথুবা মতমদা গ্রিভান্স সেল অমা হাংদোক্লগনি। নুমিৎ ১০০ নিগী অনৌবা সরকারনা পায়খৎকনি হায়খিবা থবক অয়াম্বা পায়খৎপা ঙম্লে হায়না পল্লদুনা সিএম না মখা তাখি মদুদি গোভর্নমেন্ট অসিনা লমদম অসিদা লৈবিরা লাইরবা মীওইশিংবু লাইরবদগী কোকহন্নবা হোৎনগনি। গোভর্নমেন্ট অসিনা নুমিৎ ১০০নিদা পায়খৎখিবা থবকশিং মীয়ামা য়েংবিয়ু অমসুং অনৌবা কান্নগদবা ৱাখল্লোন পীবিয়ু হায়না চিফ মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

শ্রী রাম মাধবনা হায়, ষ্টেট অসি টুরিজমগী লমদা য়ামা মপাঙ্গল লৈবা মফমনি। গোভর্নমেন্ট অসিনা নুমিৎ ১০০নি অসিদা থবক কয়া পায়খৎপা ঙম্লে অদুবু হেন্না চাওখৎপা অমসুং অপূনবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অহেনবা থবকশিং পায়খৎকদবা য়ামা লৈরি হায়না মহাকা মখা তাখি।

..............................................................................................................